# দিফেমেসন কেসতগী আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, মনিস সিসোদিয়া অমসুং য়োগেন্দ্রা একুট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী) :

দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়া অমদি আর্ম আদমি পার্টিগী হান্নগী লুচিংবা য়োগেন্দ্রা য়াদবগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেসশিং ঙসি রোজ এভেন্যু কোর্টনা একুট তৌখ্রে হায়রি।



সুরেন্দ্র শর্ম্মা কৌবা লোয়র অমনা দেল্লিগী লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস ফাইল তৌরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা দেল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাকপু আর্ম আদমি পার্টিগী মীরেপ ওইগদবদগী তোকহনখি হায়না ক্লেম তৌখি। কেস অসিগী হিয়ারিং চথুরিঙৈদা মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা দিফেমেসন কেস ফাইল তৌরকখিবা লোয়র সুরেন্দ্রদি লৈখিদ্রে। মহাক লৈখিদ্রবা মতুং মহাক্কী মচাশিং থোকপা অমনা কেস অসি মখা তানা থেঙনহৌখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচেশিংদা ফোঙবা থেংনখ্রে। অদুম ওইনমক হায়রিবশিং অসিনা মহাক্না থাঙ্গৎলক্লিবা কেস অসিগী মপুং ফাবা মরম ওইবা ঙমদবনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, মনিস সিসোদিয়া অমসুং য়োগেন্দ্রা য়াদবপু দিফেমেসেন কেস অসিদগী একুট তৌখিবনি হায়না এদিসনল চীফ মেট্রোপোলিটাল মেজিষ্ট্রেট ভিধি গুপ্তনা ফোঙদোরক্লি।

সুরেন্দ্র কুমার শর্ম্মনা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অদুগী মতুংইন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা এ এ পিগী ভোলু- ন্টিয়রশিংনা য়াম্না তোয়না লাক্কুনা মহাকপু ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবা তকশিল্লকখি। এ এ পিগী লুচিংবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনসু উকিল অমা ওইনা মহাক্না তৌরিবা সোসল সর্ভিস অদুদা অপেনবা পোকপগা লোয়ননা এ এ পিগী টিকেট পীগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়নসু ভোলু- ন্টিয়ারশিং অদুনা মঙোন্দা হায়রকখি। ভোলুন্টিয়ারশিং অদুনা য়াম্না তোয়না লাক্লগা ইলেক্সন মায়োক য়ানবা হায়রকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না মহাকসু কেন্দিদেট ওইরগে হায়না ফীরেপ লৌরকখি। তুংদা মহাক ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌনবগী এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিন্নবা ফীরেপ লৌখি। মতমদুদা মনিস সিসোদিয়া অমসুং য়োগেন্দ্রা য়াদবনা এ এ পিগী টিকেট মঙোন্দা পীনবগীদমক পোলিটিকেল এফেয়রস কম্মিটিনা ৱারেপ লৌরে হায়নসু খঙহল্লকখি। অদুম ওইনমক তুংদা মহাকপু টিকেট পীরকখিদবনি। মসি মীওইবগী রাইট অমদি ইকায়খুম্ন বা মাঙহনবনি হায়না মহাক্কী কমপ্লেন অদুদা পল্লি হায়রি।

অমরোমদা, দেল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসল রেসিদেন্সতা সী বি আইনা রেদ চথখিবা অদুদা ইল্লিগেল ওইবা পোৎলম অমত্তা ফঙবা ঙমখিদ্রে। অমদি মসি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী ওইনদি য়াম্না ইকায়নিংঙাইহনি হায়না ওপজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি। কোংগ্রেস পার্টিনা হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা এ এ পিনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা শন্দোকপা হৌরকপা উবদা লৈতানা লৈবা ঙমদবদগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা এ এ পিদা অরানবা চার্জ তৌবা হৌরকখিবনি হায়রি।

# সিসোদিয়া রেদকী মতুংদা ব্যুরোক্রেট ১২ ট্রান্সফর তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী) :

দেল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসল রেসিদেন্সতা সী বি আইনা রেদ চথখ্রবা মতুং ইকান-কান্নদনা দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণরনা আই এ এস ওফিসর ১২ গী মফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে হায়রি।

দেল্লি গভর্ণমেন্টকী সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌখিবা ট্রান্সফর পোষ্টিং ওর্দর অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী স্পিসিএল সেক্রেটরি উদিট প্রকাস রাই য়াওরি। মহাক ২০০৭ কী আই এ এস বেটচকী ওফিসরনি। মহাকপু এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিপার্টমেন্টতা স্পিসিএল সেক্রেটরি ওইনা ট্রান্সফর তৌখিবনি। মহাক্কী মহুত্তা ২০০৭ বেটচকী আই এ এস ওফিসর বিজেন্দ্র সিংহ রাৱটনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী স্পিসিএল সেক্রেটরিগী ফম পুরগনি হায়রি। পনবা য়াবদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম দিপার্টমেন্টতা ট্রান্সফর তৌখ্রবা রাইনা অরানবা মওংদা লুপা লাখ ৫০ লৌরমখি হায়না লেফটনেন্ট গভর্ণরনা এম এইচ এদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১৩,২৭২ থেংনখি ৩৬ শিখি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৩,২৭২ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩৬ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৩,২৭২ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৩,২৭,৮৯০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১,০১,১৬৬ তা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩৬ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৭,২৮৯ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেদনা চাদা ৯৮.৫৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.২৩ ওইরি। ঙরাং থেংনখিবা কেস মশিংদগী ঙসি থেংনখিবা কেস মশিংনা ৬৪৪ হন্থখি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিদগী পুন্না মীওই ৪,৩৬,৯৯,৪৩৫ মপুং ফানা ফগৎলকপা ঙমখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং অসি হন্থরে হায়না লৌরবসু অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট খরদদি কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরক্লি। মরুওইনা অসাম অমসুং মিজোরামদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং ৱাংলি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকা মরী লৈননা শেমখিবা এস ও পি মতম খরদি ঙাক্না চৎনবা আপিল তৌরক্লি। অমদি লায়চৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবদা খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়না মিনিষ্ট্রিনা মখা তারি।

# ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদতা মীওই ৬ শিরে, ১৩ শিরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি

সিমলা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

হিমাচল প্রদেশতা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌরগা চুখিবা অকনবা নোংনা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ থোকহনখিবনা মরম ওইরগা মীওই ৬ শিখ্রে, ১৩ শু শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা হমিরপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি চম্বা দিষ্ট্রিক্টতা মরুওইনা ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা অকনবা চৈথেং পীখি। চম্বা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা খুঙ্গং অমদা লেন্দস্লাইদ থোক্লকপদগী মনাক নক্না লৈরম্বা য়ুম অমা চেন্থদুনা পুখ্রে। পাউ হেক ফঙবগা রেস্ক্যু টিম অমা মফমদুদা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা লৈখোম লৈনাংনা চেন্থখিবা য়ুম অদুগী মীওইশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা ৩ গী অশিবা হকচাং থেংনখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ১৭ চেন্থদুনা পুখিবগী মনুংদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই ৩ গী অশিবা হকচাং থেংনখ্রে। অমনা কনবা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওই ১৩ অদুদি ঈশিংদা লাকশিন্দুনা শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হায়ৱেশিং ফাওনবা য়াদনা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লম্বী ময়ায়দা পৈশিন্দুনা লৈরিবা লৈখোম লৈনাং অমদি তেক্কুনা তাশিল্লগা লৈরিবা উ-পাম্বী অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নবা পোষ্টশিং লৌথোকপগী থবক অকনবা মওংদা চথবা হৌখ্রে হায়রি।

ꯀꯣꯆꯤꯡ, ꯕꯣꯔꯗꯤꯡ, ꯍꯣꯝ ꯇꯨꯇꯔ

## COACHING, BOARDING, HOME TUTORS

**Entrance Exams**

**SAINIK, NAVODAYA, RIMC, R.K. MISSION**

**Foundation Course**

**III, IV, V, VI, VII, VIII, IX, X, XI, XII**

(Main / All Subjects + Syllabus of **ITO, ALLEN, MOTION, RESONANCE** base on **NEET, JEE, IIT,** etc.)

**BRAIN WAVE, KHURAI**

**# 8798620099, # 6009206102, # 8131877812**

HL-P/3915/21

**VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY**
**KONJENG LEIKAI AIRPORT ROAD, IMPHAL**
**(Affiliated to Manipur University)**

**ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯠ / ADVERTISEMENT NO. 01/2022,**

Dated 17th August, 2022

Applications are invited from the intending candidates for the following vacant posts at VIBGYOR Institute of Management and Information Technology.

| SL. .No | Name of Post | Qualification | Subject | No. of Post | Specialization |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Professor | M. Com with NET/ .Ph.D | Commerce | 3 | Finance (1), (Open (2 |
| 2 | Assistant Professor | MBA/M. Corn with .NET/Ph.D | Management | 3 | Open |
| 3 | Office Assistant | Graduate with knowledge of Computer | Preferably B.Com/ BBA with 3 years experience | 1 | |
| 4 | MTS | 10+2 | | 1 | |

Interested candidate may submit Bio Data along with Certificate, Mark sheet, 2 recent passport size photographs and other relevant documents to the undersigned on or before 27th August, 2022.

HL-P/3913/21

**Sd/- Director, VIMIT**

**OFFICE OF THE**
**KHA MANIPUR DEVELOPMENT ORGANISATION (KMDO)**
Kakching Chumnang Leikai, P.S. Kakching
Kakching District, Manipur - 795103
Mobile No. : 7005414062 Email : fspclusterkakching@gmail.com

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Dated the 20th August, 2022

No.3/F&S/SFURTI/Man/2020 Application are hereby invited from the willing and eligible candidate to 1 (one) post of **Cluster Development Executive (CDE)** on contract basis for implementation of Food & Spices Processing Cluster, Kakching, Kakching District, Manipur under SFURTI-Scheme.

**Qualification/Experience :**

**Qualification :** Graduation in any discipline preferably on Social Science/Humanities Science.

**Desirable :** Post Graduate Degree/Diploma in Management/Social Work/Rural Development/Sociology, etc.

**Age :** Not exceeding 40 years (as on 1st January 2022) Five years relaxation will be given to the CDEs who are already having experience in Cluster Development Programme being implemented by Central/State Govt. Dept.

**Experience :** Experience of working in Cluster Development Programme preferably with NGOs/State Govt. Agencies/Self Help Groups/Industry Association International Organization likes UNDP/UNIDO/ADB, etc.

**Honorarium for CDE :** Rs. 12,000/- plus Travelling Allowance Rs. 3000/- per month.

Interested persons may kindly submit their applications along with relevant document to the undersigned or to Indian Institute of Entrepreneurship, Lalmati, Guwahati-29 on or before 28th August 2022. Candidate will be shortlisted based on their expertise, only shortlisted candidates will be called for personal interview through email or by phone no.

**Sd/- Secretary/Kha Manipur Development Organisation**
**Kakching, Manipur-795103**

HL-P/3916/21

**URGENT JOB VACANCY**
**Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur**

**Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Helper (female) | Rs. 8000-10000 | 20 | NIL |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 8000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 7000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook/ Chawkidar | Rs. 7000 - 20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 6 | Gunman/ Armguard | Rs. 10000-20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| 10 | Assistant Staff | Negotiable | 10 | XII & Above |

**Vacancy at North East India (Male/Female)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking staff (26yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

**Airport Job Vacancy For All India, 100% Job Placement**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | C.S.A. | Rs. 60K | 20 | Graduate |
| 2 | VIP Lounge Staff | Rs. 70K | 15 | XII/Grad |
| 3 | Asst. Staff | Rs. 40K | 20 | XII/Grad |
| 4 | Cargo Loader | Rs. 13-19K | 20 | X/XII/Grad |

Last Date of Submission : 09/09/2022 For More Information Please contact

Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm **# 7641836503 / 8794793684**

**Salai Unemployment Service Centre**
**Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking**

HL-P/3695/18,20,21,24,26,28,31,2,5,7

***ADMISSIONS OPEN***

FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**

**STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE**

*** COURSES OFFERED: ***

**(1). BDS Fees Structure :** 16 Lakhs Package.

**(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.

**(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.

**(4). B. Pharmacy Fees Structure :** 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.

**(5). MSc Nursing Fees Structure :** 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.

**(6) GNM Fees Structure :** 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).

**CONTACT US: 8310788408, 9362331862.**

**REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.**

HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept

ꯑꯦꯁꯦꯟꯠ ꯏꯅꯁꯇꯤꯇꯨꯠ

**ESCENT INSTITUTE**
of Paramedical Sciences & Skill Development

**ADMISSION OPEN** FOR PARAMEDICAL COURSES

AVAILABLE COURSES

**MEDICAL LABORATORY TECHNOLOGY** (B.Sc. MLT / DMLT)

**RADIO IMAGING TECHNOLOGY** (B.Sc. RIT / DRIT)

**OPHTHALMIC TECHNOLOGY** (DOpT)

**PHYSIOTHERAPY** (DPT)

AFFILIATED WITH Manipur University & Paramedical Council of India

Ample **JOB OPPORTUNITIES** in reputed hospitals and laboratories for a **SUCCESSFUL CAREER**.

Career ready courses with **hands-on experience** in an **NABL accredited** laboratory with the **latest facilities**.

All courses include **IN-HOUSE INTERNSHIP PROGRAM** and **IN-HOUSE PRACTICALS FACILITIES.**

HEAD OFFICE
Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
INSTITUTE
Sangaiprou, Airport Road, Imphal West, Manipur 795001

+91 8770 412 916 +91 9774 677 371
+91 9862 619 063 +91 9678 775 752
www.escentinstitute.com

HL-P/3658/12/8-12/9

**ADVANCED COACHING INSTITUTE** ꯑꯦꯗꯚꯥꯟꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯏꯅꯁꯇꯤꯇꯨꯠ (HURRY! LIMITED SEAT)

THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

**FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE**

**2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS**
*(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC*

**1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS**
*ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE*
*SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS*

**7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS**
*WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS*

1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel

MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute

LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm

For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/7788 (8/8 to 24/8)

**ANGELS' COACHING CENTRE** ꯑꯦꯟꯖꯦꯜ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

**ADMISSION OPEN** Class 4 to 10 (BOSEM & CBSE)
**FOUNDATION COURSE** Class 11 Science (COHSEM & CBSE)
Starts on 25th August 2022

TOPPERS of 2022

8TH POSITION SABIRAH BEGUM NIRMALABAS
9TH POSITION S. SWATI LITTLE FLOWER
10TH POSITION M. KHELINA LITTLE FLOWER
13TH POSITION B. BRINDA NIRMALABAS
14TH POSITION P. JENIBHA NIRMALABAS
16TH POSITION KH. SANAMATUM RIGHT STEP, SEKMAI
16TH POSITION SHINY S. NIRMALABAS
17TH POSITION GAGAN N. ST. JOSEPH

BIDYA TH. LITTLE FLOWER 17TH POSITION
Y. KHELINA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
KHENIJA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
MALEMNGANBI S. NIRMALABAS 17TH POSITION
JOSPHIN S. NIRMALABAS 18TH POSITION
MADHURISANA W. COMPREHENSIVE, OINAM 22ND POSITION
LINTHOI S. NIRMALABAS 25TH POSITION

SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS : 100
1. BIDYATH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (SJS)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBIS. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHA LAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)

1ST POSITION 2020 RESHMI N. Pitambara
1ST POSITION 2019 BHUMIKA SH. Pitambara
1ST POSITION 2018 YAIPHABI M. (LFS)
1ST POSITION 2017 PRIYANKA M. (NBS)
1ST POSITION 2016 SOHANA L. (NBS)
1ST POSITION 2013 MIRANDA M. (NBS)

FIRST COME FIRST SERVE

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS

CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)